# তরাহুমদোইশুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল ২০১৯দা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরনা য়ু এস এবু থোয়খ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোরস রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন দুনা থা অসিগী ২২ দগী মপান লৈবাক্তগী য়ু এস এ, ফ্রান্স অমদি ইংলেণ্ড পূন্না টিম ৫ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা চথরিবা ১৩ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইন্দিয়া (বি) মণিপুর মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্রন্স অমদি ইন্দিয়া (এ) দ্রো চৎখ্রে।

পোলো ইন্টরনেস্নেল অসিগী তরেৎশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ইন্দিয়া (বি) মণিপুর অমদি য়ু এস এনা শন্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়া (বি)না য়ু এস এবু পাঞ্জল ৬–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা চক্করদা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরগী জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনিট ১.৫৯ দা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি অদুবু য়ু এস এগী জর্সি নম্বর ১ জোস ক্রাবীনা মিনিট ৫.৩৭ দা পাঞ্জল হন্দাক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি। অদুবু চক্কর অসিগী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৬.২৮ তা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা চক্করদা য়ু এস এনা লাকশিলত্তুনা পাঞ্জল ২ হাপচিনখি অদুগা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরনা পাঞ্জল ১ খক হাপচিনবা ঙমখিবনা চক্কর অসি লোয়বা ফাওবদা পাঞ্জল ৩–৩ দা মান্না লৈন্নখি।

য়ু এস এগী পাঞ্জল ২ অদু জর্সি নম্বর ১ জোস ক্রাবিনা মিনিট ১.১৬ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ তোমী হুবরনা মিনিট ৪.৪২ তা চনখি। অদু গা ইন্দিয়া (বি) গী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনিট ০.১৬ তা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা নাকল অনীনা লম্বা মান্নরকখিবনা পাঞ্জল অমমম খক হাপচিনবা ঙম্নখি। ইন্দিয়া (বি) মণিপুরগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৫ ঐচ অবুং খুমননা মিনিট ৪.২৬ তা চনখি অদুগগা য়ু এস এগী মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ৩ তোমি হুবরনা মিনিট ৪.০৫ তা চনখি।

অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা ইন্টিরনেস্নেল পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ ইদিসনগী ৱিন্নর ওইখিবা ইন্দিয়া (বি) মণিপুরনা পাঞ্জল মাঙজিল থানবা হোৎন্নরত্তুনা শান্নরকখিবনা চক্কর অসিদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনিট ৩.৫০ অমসুং ৪.৩৭ দা পাঞ্জল ২ হাপচিন্দুনা য়ু এস এবু পাঞ্জল ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ইন্দিয়া (এ) অমদি ফ্রন্সনা শান্নখিবা মেটচতা পাকল অনীনা পাঞ্জল ৫–৫ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ফ্রান্সকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অনীশুবা অমসুং মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২/২ চনখি। ইন্দিয়া (এ) গী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা, অনীশুবা, মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল অমমম অদুগা অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ চনখি।

ফ্রান্সকী অহানবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৪ ক্লিমেন গোসেটনা মিনিট ৪.৩৪ দা চনখি। অনীশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা ক্লিমেন গোসেটনা মিনিট ১.৩৫ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ রোমেন দারোক্সনা মিনিট ৫.১১ দা চনখি। অরোয়বা মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদুসু রোমেন দারোক্সনা মিনিট ৩.২৫ অমসুং ৬.৪৮ তা চনখি।

ইন্দিয়া (এ)গী অহানবা চক্করগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ২ নরেন্দ্র সিংহনা মিনিট ৩.৪০, অনীশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ১ বিজেনা মিনিট ১.০৭, অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৪ রাজপুর রোহিটনা মিনট ০.৪৬ অমসুং বিজেনা মিনিট ৬.১৫ তা চনখি। মরিশুবা চক্করগী পাঞ্জল অদুনা চৌধুরিনা মিনিট ১.৪৭ দা চনখি।

১৩ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল অসিগী হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা য়ু এস এ অমদি ইন্দিয়া (এ)গা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা ইন্দিয়া (বি) অমদি ইংলেণ্ডগা শান্নগনি।

# এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ৱিন্নর কে ৱাই সি (এন) খুরখুলনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ১১ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা কে ৱাই সি (এন) গ্রাউন্দ খুরখূলদা চথরিবা অহুমশুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ৱিন্নর কে ৱাই সি (এন) খুরখুলনা ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসির্য়েসন অসিনা শীনবা মথং সিজনগী সোকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা শরুক য়ারগনি।

লীগ অসিগী অরোয়বা ২৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি জুবেনাইল ক্লব তেরা অমদি কে ৱাই সি (এন) খুরখুলনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে ৱাই সি (এন)না জুবেনাইল ক্লবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিংদি কে ৱাই সি (এন) খুরখুলনা বোল হেন্না পায়রগা য়াঙনা শান্নদুনা জুবেনাইল ক্লব তেরাবু লাকশিনখিবনা মেটচ হৌরকপগী মিনিট ১০ ফাওবগী মনুংদা গোল ২ চনবা ঙমখি।

গোলশিং অদু কে ৱাই সি (এন) খুরখুলগী জর্সি নম্বর ১০ লুনগৌ হাওনা মিনিট ৪ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ য়ু রোবার্টনা মিনিট ৮ দা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিদা জুবেনাইল ক্লব তেরানা শোথরিবা গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা ফঙখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা জুবেনাইল ক্লব তেরানা শোথরিবা গোল ২ অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী শান্নরোইশিংনা বোল পূশিন্নবা হোৎনবদা কে ৱাই সি (এন) খুরখুলগী শান্নরোইশিংনা ঙাকথোক্তুনা লৈখ্রবা মতুংদা খুরখুলগী জর্সি নম্বর ১৭ এস মৈরাবানা মিনিট ৬২ দা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনিট ৩ দা জুবেনাইল ক্লব তেরাগী জর্সি নম্বর ২১ পূন্সিবনা গোল ১ হন্দাকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা কে ৱাই সি (এন) খুরখুলবু মমায় পাকপগী লম্বীদা থিংবা ঙমখিদে।

মেটচ অসিদা কে ৱাই সি (এন) খুরখুলগী জর্সি নম্বর ২ এল রোবিনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ এস ঐচ সুরেস, এল হরিমোহন, ৱাই সমরজিৎ অমদি এল গোকুলানন্দনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অহুমশুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা সেকমাই কেন্দ্রগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গো সিংহ, অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমার, খুরখূলগী প্রধান আই সান্ত, এম য়ুগী এষ্টিটেন্ট প্রোফেসর এম চোরজিৎ, খুরখূল পি ঐস সিগী এম ও, ডা. য়ু জুগিন্দ্রে, সেকমাই পি এসকী ও সি, টি ঐচ কিরন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ মোবিচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# সেনিয়র মেন ষ্টেট লেভেল হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ্তা এস ৱাই য়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী খুমন লম্পাক্কী হোক্কী ষ্টেদিয়মদা টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা ৭ শুবা সেনিয়র মেন ষ্টেট লেভেল হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ তা এস ৱাই য়ু সি উচেক্লোন খুনৌ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ–বিগী এস ৱাই য়ু সি উচেক্লোন খুনৌ অমদি কে ঐচ এস সি খোঙমননা শান্নখিবা মেটচতা এস ৱাই য়ু সিনা কে ঐচ এস সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।



মায় পাক্লবা এস ৱাই য়ু সি উচেক্লোন খুনৌগী গোলশিং অদু অহানবা, অনীশুবা অমসুং অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল অমমম চনখি। অদুগা মায়থিরবা কে ঐচ এস সি খোঙমনগী গোল ২ অদুনা অনীশুবা অমসুং অরোয়বা মরিশুবা ক্বাটরদা চনখি।

এস ৱাই য়ু সি উচেক্লোন খুনৌগী অহানবা ক্বাটরগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ এম ধনঞ্জয়না মিনিট ১ দা চনখি। অনীশুবা ক্বার্টরগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ ৱাই নেলসননা মিনিট ২২ দা চনখি। মরিশুবা ক্বার্টরগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এল দিপুনা মিনিট ৫১ দা চনখি।

কে ঐচ এস সি খোঙমনগী অনীশুবা ক্বার্টরগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ এন মোমোনা মিনিট ২০ অদুগা মরিশুবা ক্বার্টরগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ ও শ্যামনা মিনিট ৪৬ তা চনখি।

হয়েং গ্রুপ–এগী সিও অমদি এম এল ঐচ য়ুনা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি।

## মোধুসুদোন খল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১ দগী ৪ ফাওবা নেপালগী কোনুং কদমন্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩ শুবা সাউঠ এসিয়ান গেমস ২০১৯ দা খো– খো মশান্নগীদমক ইন্টরনেস্নেল টেক্নিকেল ওফিসির্য়েল ওইনা মণিপুর এমেচর খো– খো এসোসিয়েসনগী চিয়ারমেন এম মোধুসুদোন সিংহ খল্লক্লে হায়রি।

এম মোধুসুদোন সিংহ খো–খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চিয়ারমেনসু হৌজিক হৌজিকসু ওইরিবনি লোয়ননা বাসু খাঙবোক্কী চীফ ওর্গনাইজর ওইবত্তা নত্তনা ডাইরেক্টর ওফ এডুকেসন (এস)তা স্পোর্টস য়ুনিটকী থবক তৌরিবনি।

মহাক নেপালগীদমক থা অসিগী ২৯ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

এম মোধুসুদোননা ইন্টরনেস্নেল টেক্নিকেল ওফিসিয়েল ওইনা এসিয়ান খো– খো ফেদরেসননা খলপদা মণিপচর এমেচর খো– খো এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী অপেনবা ফোঙদোকরক্লি।

# থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপ্তা কে আই ৱাই সিনা এফ সি লমজাওবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েননা শীল্লগা বাবিনা হেল্ঠ কিয়র এন্দ হোসপিটালিটি প্রাইভেদ লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৯ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চথরিবা থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপ ফোর মেন ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি লমজাও গ্রাউন্দ ককচিংদা এফ সি লমজাওগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টকা শান্নখিবা মেটচতা ভিজিটর কে আই ৱাই সিনা য়ুম্থু এফ সি লমজাওবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী হৌনা ভিজিটর কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টনা য়ুম্থু এফ সি লমজাও ককচিংবু লাকশিন্না শান্দুনা অঙনবা মিনিটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা চাঙ নায়না তকশিন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু য়ুম্থুনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী মেটচকী মিনিট ১৮ চৎপদা ভিজিটরগী জর্সি নম্বর ৯ এন জি জেনিসনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ভিজিটরগী মায়কৈদগী হাল্ফ মমাঙদা অহেনবা গোল হাপচিনবা য়াবগী তাঞ্জা ফঙখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈদুনা জেনিসকী গোলনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু ভিজিটরনা য়ুম্থুবু মখা তানা অদুমক প্রেসর পীশিন্দুনা শান্নখিবনা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইগী অতেনবা মিনিটতা ভিজিটরনা অহেনবা গোল ৩ মখা তানা হাপচিনখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ শিতলজিৎনা মিনিট ৬৭, জর্সি নম্বর ৭ এম ডি সাবির অলিনা মিনিট ৬৯ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ সোমিসন সিরোকনা মিনিট ৭৪ দা চন্দুনা মেটচ অসি কে আই ৱাই সিনা ৪–০ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সি ইম্ফাল ইষ্টকী জর্সি নম্বর ১৭ দব্লিউ বিপিনচন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল রোজিৎ মৈতৈ, এম ডি লটিফ অলি, এম ডি অনুস খান অমদি এল সনাতোম্বা সিংহনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# ষ্টেটকী করাটে দো অন্দর–১৭গী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১ দগী ৫ ফাওবা মৈথ্র প্রদেশকী জবালপুরদা পাঙথোক্কাদৌরিবা ৬৫ শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস ইন করাটে দো অন্দর –১৭ বোইজ এন্দ গালর্সতা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক নুপামচা ১০ অমদি নুপীমচা ৫ য়াওনা ওফিসিয়েল ২ পূন্না মীওই ১৭ না শাবা মণিপুরগী টিম ঙসি মৈথ্র প্রদেশকীদমক খুমন লম্পাক্তগী করাটে ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চিয়ারমেন কিরন কুমার থাঙজমনা লমথাখ্রে।



ষ্টেটকী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি– কে অরিয়া (কেজি ৩৫), কে ঐচ রুসতম (কেজি ৪০), পি ঐচ নেলসন (কেজি ৪৫), এস জেমস (কেজি ৫০), সুরজ (কেজি ৫৪), কে সুরচন্দ্র (কেজি ৫৮), ই ইবুংঙো (কেজি ৬২), ঐচ জেমসন (কেজি ৬৮), এস থোইনাও (কেজি ৭৪) অমসুং প্রাবিনকুমার (কেজি ৮২) মথকনি।

নুপীমচাশিং অদুদি– অম্বিকা (কেজি ৪০), নাইটিসক্সন (কেজি ৪৪), সি ঐচ প্রিয়ঙ্কা (কেজি ৪৮), এস ঐচ সুমিতা (কেজি ৫২) অমদি এস চনচানা (কেজি ৫৮)নি।

টিম অসি এন অর্জুন সিংহ পি ই টি তামেংলোংনা কোচ অমসুং এন সোমোবলানা পি ই টি থৌবালনা মেনেজর ওইনা লুচিঙগনি।

# মণিপুরদগী শান্নরোই ৩ খল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১ দগী ১০ ফাওবা নেপালগী কাদমন্দু অমসুং পোক্রাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩ শুবা সাউঠ এসিয়ান গেমস ২০১৯ গী ত্রাইথোলোন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী ত্রাইথালেট ৩ খল্লক্লে।

খল্লক্লবা ত্রাইথালেটশিং অদুদি– টি ঐচ সোরোজিনি দেবী ( ইন্দিভিজ্যুয়েল স্প্রিট এন্দ মিক্স টিম রিলে ইভেন্ট), এম সি লিম্থোইঙানবী ( দাওথিয়োন এন্দ মিক্স রিলে ইভেন্ট) অমসুং ই সুশিল সিংহ ( দাওথিয়োন এন্দ মিক্স রিলে ইভেন্ট) তনি

# মিষ্টর মণিপুরগী ফোম লৌরবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা)না শীন্দুনা দিসেম্বর ৭ অমসুং ৮ দা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৮ শুবা মিষ্টর মরিপুর ২০১৯গী ফোম খুমন লম্পাক্ত লৈবা অম্বাগী ওফিসতগী এসোসিয়েসন অসিদা এফিলেট লৌরবা জিমশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসোসিয়েসনশিংনা ফোম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

ফোম পীশিনবগী অরোয়বা মতম দিসেম্বর ৩ ফাওবনি। ফোমগী মমলনা লুপা ৫০০ ওইগনি হায়না ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা)গী জেনরেল সেক্রেটরী য়ুম্নাম সুন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ত্রাইয়েলগী নৌনা মতম লেপ্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (এস এন এস)ঃ অন্ধ্র প্রদেশগী যৌগী ভমানা য়ুনিভর্সিটি অমসুং পাটিলিয়াগী পাঞ্জাবী য়ুনিভর্সিটিদা ইং ২০২০গী জানুৱারি অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি সোফট বোল টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০ দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরাদগী চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বর ১২ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সোফট বোলগী গ্রাউন্দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ত্রাইয়েল অসিদা য়াওগদবা নুপা শানন্নরোইশিং অদুদি– ইনিয়ান, দিনেল, কাপিল, অবিট, সন্তোস, টেনিসন, নিটানজিৎ, কেনজিৎ, মারজ াননি। এম য়ুগী রোসন, সুভাসচন্দ্র, বঙ্কিমচন্দ্র, টিকেন, প্রিয়োজিৎ, ৱাঙলেন, য়াইফবা, সনাথোই, এরিস, সুরজ, সুনন্দা, বিনোট, পাওচা, রোমারিয়ো, টেকসন, বিদাস, মনিমতুম অমদি মহেনজিৎনি।

নুপীগীদনা বেন্দি, রঞ্জানা, থোইনু, জিতারানি, মেলোদি, সুস্মীতা, সৈলাজা, বুশুরিয়া, রিনাশ্রী, টি ঐচ পক্রিটি, জিরিনি, কাকখুন গুইলুই, এস মরনলৈবী, ৱিহাস, কে এস ঐচ রাজেশ্বরি, দব্লিউ চাউবা, লনচেনবা, রবিয়া, অঞ্জলি অমদি অতুনানি।

ইন্টর কোলেজ সোফট বোল টুর্নামেন্টদা শরুক য়াহৌদবা কোলেজশিংনা ত্রাইয়েল অসিগীদমক শান্নরোই ৩ / ৩ থারকপা য়াগনি হায়রি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*